# লমদমসিগী মমিং লৈরবা ঠিএটর এক্টর তোঞ্জম প্রিয়োবর্ত সিংহ



পুন্সিগী অহানবা ওইনা দ্রামা য়াওবা হৌরকপগী খুলামখাংদা স্কুলগী মহৈরোয় অমা ওইনা ৱান এক্ট প্লে অমা শান্নবদা নুপী শারগা হৌরকখি। মতম অমা স্কুল কোলেজদা য়াম্না কন্না ওগষ্ট ১৩গী থৌরম য়াম্না মায় পাক্না পাঙথোক্করিঙৈ মতমদা **বির টিকেন্দ্রজিৎ** কী মতাংদা প্লে মচা শান্নখিবদা মায়পাকপীগী রোল শাবীনবা স্কুলগী নুপী মহৈরোয় অমত্তনা য়ারক্তদুনা প্লে অদু উৎপা ঙম্লরোইদবা ফীভমদা লাক্লবদা প্রিয়োবর্তনা মায়পাকপীদু ঐ ওইনা শারগে হায়না থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা প্লেদু শান্নখি। মসিদগী খঙই প্রিয়োবর্ত পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা ঠিএটরবু য়াম্না পামজরকখি। মশামক নুপী ওইনা শারগা ইহান হান্না ষ্টেজদা থোরকপা হৌখি হায়বসি। মতম অদুদগী হৌনা লীলা য়াওনিংবগী ইথিল অসি তপ্না তপ্না মোংবা হৌরকখবনি হায়না ৱারী শানজরুবদা য়াম্না নাখে শেংনা ফোঙদোকপীরকখি। শ্রী তোঞ্জম প্রিয়োবর্ত সিংহ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈরিবা চজিং চীংখোঙ পুখ্রি অচৌবা মপালদা কুমজা ১৯৬৩গী জন্যুৱারী ৪দা তাইবং ফাওরকখি। তোঞ্জম জুগেশ্বর সিংহ অমদি তোঞ্জম ওংবী সগোলশেম নিংঙোল ইনাওবী দেবীগী অনীশুবা মচানুপানি।

ফংজবা রেকোর্দকী মতুংইন্না প্রিয়োবর্তনা চপ চানা ঠিএটরদা খোঙ থাংজিল্লকখিবসিদি, মহাক মশাগী চহী ১৭ শুরকপা মতমদা কোস্মোপোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, ৱাংখৈনা শীন্দুনা জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা অহানবা ওল মণিপুর ইন্টর কোলেজ সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ১৯৮২দা লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা ইবা **থবক থিবা** হায়বা প্লে অদুদা নহা পাখং অমগী রোল লৌদুনা শরুক য়ারকখিবা অসিনি হায়না লৌবা য়াই। প্লে অদুমক্তদা অহানবা ওইজরবসু মহাক বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংবা ঙমখি। মদুনসু অহোইননা প্রিয়োবর্তদা ঠিএটরগী মনুং হঞ্জিন্না চঙশিন্নিংবগী ইথিল পোকহনখি। মতমসিদা মখোয়গী লৈকায়গী ওইবা দ্রামাগী গ্রুপ অমসু লৈরমখি। মদুদা মহাকপুসু য়াওননবা হায়রকপদগী প্রিয়োবর্ত লিলোং চজিং য়ুথ কম্যুনিটি সেন্টর কম কলচরেল ইন্সটিট্যুট হায়রিবা অসিদা য়াওদুনা রোল কয়া মথং মথং কুম্বা হৌরকখি। হান্না মদুদা য়াওখিবা দ্রামাদি **চহুই লৈরোং পানবা** হায়বা লৈখিদ্রবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)গী মমিং লৈরবা ওজা লাইশ্রম বাবু সিংহ অমদি পুখ্রম্বম খোগেন্দ্রোনা তম্বীবা প্লে অদুদা থাঙতেক শুংনাইবা নিংথৌগী রোল লৌদুনা শরুক য়াবা হৌরকখি। মসিনা মহাক এম দি য়ুদা চঙনবগী থোঙ ফাৎপদৌনা থোকখি। ওজা বাবুনা মহাকপু এম দি য়ুদা য়াওনবা থৌইনশিন পীবীদুনা এম দি য়ুদা ১৯৮৪দগী য়াওবা হৌরকখি। মতমদুগী মমিং লৈরবা এম দি য়ুগী ওজাশিং মমিং ওইনা খরদং পঞ্জরবদা- এন তোম্বী সিংহ, ঐচ থম্বাল শর্ম্মা, কে ঐচ বিহারী সিংহ, মাইবম রামচরোন সিংহ, এস অমুজাও সিংহ, টি শ্যামকহ্নাই সিংহ, কে এস ঐচ ইবোহল সিংহ, লাইশ্রম বাবু সিংহ, বিরজিৎ ঙাঙোম্বা, তেলেম উপেন্দ্রো সিংহ, হিজম শ্যাম সিংহ, জি জয়কুমার শর্ম্মা অমদি ৱাই রাজেন্দ্রো সিংহনচিংবগী মখাদা মণিপুরী ঠিএটরগী কাঙলোন, সোসল, ফোক, হিষ্টোরিকেল, এক্সপরিমেন্টেল প্লেশিংগী মহৈশিং তমজবা হৌরকখি।

হৌজিক ফাওবদা মপুং ওইবা রোল লৌদুনা চাউরাক্লা প্লে ৬৩দা কুমখ্রে। প্লেশিং খরা নীংশিংলবদা- থবক থিবা, অকনবনা অচুম্বা শকপা, চহুই লৈরোং পানবা, পিদোন্নু ৭, মম্মৌ ইবেম্মা, ঐবু করিনুংগীনো, লোম্হোক্তবগী ৱারী, তস অদুনিদনা, বির টিকেন্দ্রজিৎ, কৃষ্ণ অবতার, পোইলা তারিখ, ঐগী ইরালনি, মমাদো লৈশাবীদো অঙাওবীদো, মঙলা তাইবংলা, কবোক ওইখ্রবী কবোক্লে, মাইতোনফী সিমরৈশং, লমখৈ ৱাথোক, হিংজরকই মতম্বাকসিদা, মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লাল, কর্ণ অর্জুন, তেংথাখোল, ইম্ফাল, লৈই অনী, অঙাওবগী থৱায়, ফুট্টানি কম্পিটিসন, কুরুক্ষেত্র, সটি খোংনাং, চহী তরেৎ খুন্তাকপা, তোনু লাইজিংলেম্বী, কেগে লমজা, উরা নহা খোংজোম্বা, ইজৎ মশিংখা, নোং ঙানিখদৌরে, লাইরেল লাবা, নুরা সন্থালেম্বী, রামের সুমতি, মখোয়সু মীনি, অরেপ্পা মরুপ, হাওবা কোনু, খোংজোম লাল, শোয়নাইবসু থম্মোয় পাল্লি, জাদুবংশগী অরোইবা নুমীৎ খরা অসি পনবা য়াই।

তোঞ্জম প্রিয়োবর্ত সিংহ মণিপুরী ঠিএটরগী অচঙবা আর্টিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা ঙসিদি দিরেক্সন পীদুনা লীলা পুথোকপগী লম্বীদসু য়াম্না য়াঙনা চঙশিল্লক্লি। চাউরাক্লা লীলা ১০ হেনবদা (দিজিটেল ফিল্ম, শুমাং লীলা, দ্রামা) তম্বীদুনা পুথোকখ্রে। ইরাবোৎ, তেংথাখোল, চহীদুগী য়াওশং থা, লোম্হোক্তবগী ৱারী, ব্যুটি পার্লর, য়ারোই মদু য়ারোই, থম্মোয়গী মমলনচিংবা দ্রামা তম্বীখ্রে। মশামক আর্টিষ্ট অমা ওইনসু ভিদিও ফিল্ম, দিজিটেল ফিল্ম অমদি সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম কয়াদসু শরুক য়াখ্রে। মতম অমা ভিদিও ফিল্মগী ইরা অমা কন্না লৈরিঙৈ মতমদসু হেরো কুমদুনা ফিল্ম কয়া অমদা এক্ট তৌরকখি। খরদং পল্লবদা- নুপী, অদুঙৈগী মশান্নগুম, ইচা হল্লকপা ঙাইখিনি, ঙসিসু কায়নথংদা, ঈথক ঈরৈ, পুকচেল, মীহাৎপা, ইঙা থাগী পুর্ণিমা হায়রিবা ভিদিও ফিল্মশিং অসিদতা নত্তনা অরোনবা পী, হরিচন্দ্র, পোন, শঙখ্রবা মচু হায়রিবা দিজিটেল ফিল্মশিংদসু কুম্লকখি। সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম- কনাগা হিংহৌনি, অমুবা চন্দল হায়রিবা ফিল্ম অনীদসু এক্ট তৌরকখি।

দি দি কে ইম্ফালগী শক খঙলবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা টেলি প্লে কয়াদা কুমদুনা টেলিকাষ্ট তৌখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী আর্টিষ্ট অমা ওইনসু প্লে কয়া অমদা খোঞ্জেল আর্টিষ্ট ওইনা চাউরাক্লা রেদিও দ্রামা ৮০ মুক হেনবদা মরুওইবা রোল কয়া লৌদুনা কুম্বীখ্রে। মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা মতম শাংনা য়াওরকপনা ঙসিদি ইচম চম্বা এক্টর অমা ওইরম্বদগী বোর্দ ওফ দিরেক্টরদা য়াওদুনা প্লে কয়া অমসু দিরেক্সন তৌদুনা পুথোক্লি। মমিং লৈরবা য়ুনিয়ন অসিগী ওজা কয়াশিংগা শম্নহৌবনা ওজাশিং অদুগী অথুপ্পা মহৈ-মশিন কয়া অমসু ফংজহৌবগী তাঞ্জা ফংলকখি। হৌজিক্তি প্রিয়োবর্ত মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুদুনা য়ুনিয়ন অসিগী অনৌবা এক্টরশিং ট্রেন তৌনবা, শেমগৎনবা অমদি প্লে কয়া পুথোক্লুবা কন্না হোৎনবগী মায়কৈরোমদা মাঙজিল থানা চঙশিল্লি। ঙসিমক্কী ওইরিবা ফীভম কয়া অসিদা অনৌবা ঠিএটর এক্টরশিং থৱায় য়াওনা চোংথোরকপগী চাং অসি য়াম্না নেমখ্রে। তৌবগীদি ঠিএটর তৌবগা পুন্সি হিংবগা অনীগী মুক্লবা লানফমদা হেন্না মরু ওইরকপা অসি হিংবা হায়বা অসিনি। অদুনা ঠিএটর হায়বসিমদি শেল তানবা ফংবগী চাং অসি খরা নেম্মী। অদুনা ইমুং-মনুং পুবা ঙম্লক্তবা কয়া অসিনসু মরম ওইরগা পামজ-পামজনা ঠিএটরগী আর্টিষ্ট ওইগে হায়না চোংথোরক্তবগী মমি তারি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা সেলেরি গ্রান্ট খরা খরা পীবা অসিনা থৱায় য়াওজবা আর্টিষ্ট খরদা অপীকপা শেনফম খরা খরা পীদুনা পূক্লিং ৱাখলদা মতেং পাংবা অসিখক নত্তনা থোইদোক্লা ঠিএটরদগী হিংবা ঙম্বগী ৱাফম অসিমদি খরা লাপ্না লৈরি হায়না প্রিয়োবর্তগা ৱারী শানজবা তাঞ্জা অমদা ফোঙদোরক্লি।

তোঞ্জম প্রিয়োবর্ত সিংহ মহাক্না তৌজরক্লিবা কয়া অসিবু শকখঙবীবা ওইনা এৱার্দ কয়া অমসু ফংখ্রে। ২০১৯দা উত্তর প্রদেশকী হুনর রং মহোটসব, অজমগড়না নত্যা রত্ন হায়বা দ্রামা/ঠিএটরগী ফিল্ডদা পীবীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। ২০১৩দা এম দি য়ুনা এস চাওবা এৱার্দ ফোর দিষ্টিংগ্যুইস দিরেক্টর হায়বা অসিসু পীবীখ্রে। লোয়ননা প্লে কয়াদা বেষ্ট এক্টর, সেকেন্দ বেষ্ট এক্টর নচিংবা মনা কয়া অমসু তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। নৌনা আর্টিষ্ট ওইগে হায়না চঙলক্লিবা নহাশিংনা মখোয় মখোয়না পামজরিবা আর্টকী লম্বী অদুদা পূক্লিং চঙনা, দিসিপ্লিন লৈনা কখোকপা অমগা লোয়ননা মহৈ তমশিল্লবতদা মতিক চাবা আর্টিষ্ট অমমম শোয়দনা ওইগনি হায়বা পাউজেল পীরক্লি।

*- নানি*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ১৬। ০৭। ২০২৩ ইং, নোংমাইজিং;**
**ইঙেনগী ২৯নি পানবা।**

মেষ: লাইবক ফবা, থবক পাঙবদা নত্তনা লন চঙবা অফবা নুমীৎনি। নীংজিং মাঙজিংনবা অমদি লৈরি অদুনা লৌশিং চাউবা তান্নৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: অনম তানবা মতাং চাদে, লৌশিং থোকপা ৱাৎলি। মীয়াম্না পাম্নবদা চৎলদি অশিংবা শক্কনি। অরাপ্পগা লোয়নবা মাঙবনা হেনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- হান্নগুম মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

মিথুন: কোক শাবা খজিত্তং লৈরসু নীংজবা থুংগনি, ৱাখল খজিত্তং থাদরদি মাঙবা লৈরোই। থৌনা ফুদোকপসু মতাং য়াম্না চাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- হরাওজবা নুমীৎনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

কর্কট: নকনথিনা নরল মাঙহনবা য়াবা লৈ- ফিংগনু। ঙাকপা ঙম্লোইদবা ৱাফম থমগনু- চোপ্পা য়াবসু লৈ। তঙাইফদ্রদি মরুপ লোয়নৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পূক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক

সিংহ: চাদিং হন্থবা ঙম্লনি, অচুম্বনা মাঙমিন্নরদি অঙম্বনা থৌজালবীগনি, মীয়াম্না য়াম্না পাম্নগনি। অরাপ্পা চৎপদি মীৎ-না শিংউ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

কন্য: অনৌবা আশাগা লোয়ননা পাঙবা থবক থৌরমদি য়াম্না কান্নগনি। নীংহন্নগনু মায় পাক্কদবা নক্সা লৈরে। ঈরাং পুরদি মাঙজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পূক্লিং ফাথবা কান্নগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ

তুলা: ঙাংবা শকপা অমদি থবক থৌরম শীন্দোকপা য়াম্না হৈগনি। লাই-গুরুনসু চানবীগনি। হোয়াদি ফগনু অদুবু থৌনাদি হনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পূক্লিং ফাথনা লৈখো।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: পূক্লিং ফাথনা লৈয়ু- চিন কনবা য়াদে, য়েৎনবা মতাং চাদে, নচাক নরল চেকশিল্লু। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা থোইনা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক


ধনু: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, য়েক্লবা লাকশিনবা ঙমগনি, লন চঙবা নুমীৎনি। মীৱা লৌরবা অমদি অনম তান্নরদি পামদবা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মরী খরদি ফগৎলে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: অনৌবা থবক পাঙগনি- নীংবা থুংবা লৈ। পাইরক্কী লৌশিং চাউই- কনানসু লাকচবা ঙম্লোই। ফিংলদি পামদবা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: য়েৎনরুনু কান্নবা লৈরোই, থৌনা ফুদোকপসু মতাং ইচা চারোই। তুংগী পোরম শীনবদি হৈগনি অমদি ঈকায় খুম্নবা ফংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মতম মাঙগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ

মীন: লৌশিংনা শামু ফাগদবা নুমীৎনি। অচুম্বনা মাঙওইনৌ। হুরানবনা নরলদা মীতাই, লাংতক্লরদি নরল মাঙগনি, কায়নবা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- খাঙবা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**



Title : **Duck**
By : Olympia
Class : III Roll No. : 11
School : Khuman Maheikol

## ‘অহুমশুবা নুপীলাল থোক্লক্লবা ইনভাইট তৌবীগনু’



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস) : সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা মণিপুরদা অহুমশুবা নুপীলাল থোক্লক্লবা ইনভাইট তৌবীগনু। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থোক্লিবা ৱাথোক অসি ঙসি ফাওবা মীচঙ-মীখায় নাইদুনা ৱারোইশিন পুরকপীদবা অসিনা মণিপুরগী মীয়াম্না নীংতম্না হিংবা পাম্লক্লে হায়না পেন্দ্রবা ৱাফম কয়া পোইরৈ অপূনবা লৈমরোল মৈরা পায়বী (পলেম)গী প্রসিদেন্ট লৌরিয়াম বিমোলাতানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তেলৌদা পলেমনা শীন্দুনা তেলৌ চনাগী মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মোরেদা কদায়দগীনো লাকপনোসু খঙদবা মীওইশিংনা মণিপুরগী কম্মাংদা মোরেদা লৈবা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা মখোয়না নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকি-অখঙ পীবগী থৌওং অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগায়বা য়ারোই হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামগী মহৌশাদগী তান্দুনা লাক্লবা দিমান্দ অমনি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈতৈ কয়া হাৎলকপা, ময়ুম-মকৈ কয়া মৈ থাদোক্তুনা চথুরক্লিবা তমথিরবা থৌওং অসিদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা খঙশিন্নদনা তুমীন্না লৈশিনবা অসি য়ানিংদে।

ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসিবু মালেমদা শক তাকপদা মণিপুরগী শান্নরোই কয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। অদুবু মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং থা অনী হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু ৱাহৈ অমত্তা হায়দনা তুমীন্না লৈশিনবগী থৌওং অসি পেন্দে। ময়ুম-মকৈ মৈনা থাদোকখিবদগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং অসি মশা-মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহনবীয়ু। ঈরাং অসি মীতৈনা হৌরকপা নত্তে, কুকি টেররিষ্টশিংনা হৌবনি, ওপরেসন তৌবদা অচান-মীরাই নাইবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস) : খুরাই টিন্সিদ রোদতা লৈবা ফ্রেন্দশিপ এদ্যুকেসনল একাদেমীগী হন্দক চহীগী বোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকপা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্র।

মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ের এদিসনল সিনিয়র রিজনল দিরেক্টর ডা. এন নাওবনা অথোইবা মীথুং, ফ্রেন্দশিপ এদ্যুকেসনল একাদেমীগী ফোর্মর হেদ মাষ্টর ক্ষেত্রিময়ুম বিক্রমনা অখন্নবা মীথুং অমসুং স্কুল অদুগী হেদ মাষ্টর কোন্সম ওমেশ মীতৈনা থৌরম মপু ওইখি। মায় পাক্লকখ্রবা স্কুল অসিগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিংবু স্কুলগী মায়কৈন্দগী অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা তুংদা অচঙবা য়ুম্বীরেল অমমম ওইননবগীদমক য়াইফ পাউজেলসু পীখি হায়রি।

**APEX INSTITUTE MANIPUR**
**A Boarding cum Coaching Institute**
*Congratulations*

**CLASS -X (BOSEM) - 2023**
Pass Percentage: 100%



| Chunthaina P | Ng. Gunleima | Suzanne M | Andy RK |
|---|---|---|---|
| 84.1% | 83% | 83% | 76% |
| M. Doly Chanu | Ruben T. | T. Pari | Kh. Chingtam |
| 73.5% | 72.5% | 70.1% | 69.5% |

Tanushree (69%), Ziya (66.3%), Disha (64.3%), Krishnananda (64.3%), Masuma (63.66%), Rickison (62%), Lankhwanlung (62%), Bhogen(57%) Sanjeet (51.33%).

**CLASS -XII (CBSE) - 2023**
Pass Percentage: 100%



| N. Tejeshwari | Th. Linthoi | Rasmi E | Milky M |
|---|---|---|---|
| 93.6% | 92% | 91.2% | 90.8% |
| L. Shelina | Onika M | Brainka | Tribia M |
| 90 .6% | 89.4% | 87.2% | 86% |

Yohenbi (84.6%), Samina(79%), Jessica(78.4%), Linda(77.5%), Rebita(76.4%), Malemnganbi(76.3%) Ridhi Roy(74%),Leishemba(74%), Uttam (74%) Richa(73.16%), Fauzia(72.8), Sanathoi(71%), Nandita(71%), Kheroda (70%), Chainia(69%), Anjali(68.2) Ningthoinganbi(67%), Sanjeeta (64.4%), Nargish (64%)Jonila (63%), Daina (60.3%), Tanuja (55.8%) Yohenbi (64%),

*Admissions Open for*

**FOUNDATION COURSES**
1. CLASS -IX & X (BOSEM/CBSE)
(All Subjects)
Hindi Course A & B (CBSE only)

1. CLASS -XI (COHSEM/CBSE)
(Phy, Chem, Maths, Bio, Eng, , H.Sc)

1. CLASS -XII (Arts) (CBSE)
(Geo, Hist, Pol Sc, Eco, Socio,Opts)

*Classes Start from 27th July*

Launching
**Apex Boarding**
1. 24x7 CCTV Surveillance
2. Air Conditioned Reading Room
3. Supervision by experience teachers
4. Van Service for school going students
5. Weekly Regular Mock Test

Kangabam Leirak Behind Bheigo Hotel ☏ 9612224777


HL-P/7156/13 to 27 July



Title : **Fruits**
By : Nongmaithem Jessica
Class : VII Sec : A Roll No. : 30
School : Maheilen Education Centre



Title : **Playing with Snow Man**
By : Lamnganbi Ngasam
Class : VI Sec : B Roll No. : 57
School : Tiny Tots' Unique School



Title : **Scenery**
By : N. Lanchenbi
Class : VI Roll No. : 1
School : Maheilen Education Coaching Centre




Title : **Hand**
By : W. Ratana
Class : III Roll : 39
School : Maheilen Education Centre



Title : **Unicorn**
By : Th. Shinthoibi
Class : IX Sec : B Roll No. : 13
School : Maheilen Education Centre



Title : **Sister**
By : W. Tomthinnganbi Devi
Class : I Roll No. : 25
School : Sunshine Kids School



Title : **Vaporeon**
By : Jeet Keisham
Class : VI Roll No. : 1
School : Career Foundation English School



Title : **Scenery**
By : Vishal
Class : K.G. Roll No. : 51
School : Maheilen, Haotal

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই, অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি। নৎত্রগা হুইয়েন লানপাউগী ওফিসতা থিনবীরকপা য়াগনি।